HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




ইরিলবুংগী মণিপুর এলাইদ এন্দ এদভেঞ্চর স্পোর্টস ইন্সটিটিউটকী কমপ্লেক্সতা অকোইবগী ফীভম কন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্কী এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ লোয়শঙগী দিরেক্টর টিব্রজকুমারনা লুচিংদুনা উচরাশিং থাখিবা

থম্মোয় পাউদম : পূন্সি মশক খঙবা হৌরকপা ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ রশায়নগী হারশিং (কেমিকেল ফর্টিলাইজর) বু মুন্না...
ফৌদা লায়না তাহন্দবদা সিলিকোনগী থৌদাং ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস দে পাঙথোকপা নুমিত্তা বন্দ...
গ্লোবেল স্টেজদা ইন্দিয়াগী মিংচৎ লৈখৎলক্লিবসিনা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড ১৩ য়াওনা মেদল...

কার্গিল বিজয় দিসব ২০২৫গী থৌরমদা বি এস এফকী আই জি রবিকান্টনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা ফোর্স অসিগী কন্সটেবল চীংঙাখম দীপককী পোকমিন্নবা মনাওনুপা নাওববু মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা




Vol. 49, Issue No. 118 | নিংথৌকাবা, থৱানগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, July 28, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### ওপোজিশননা খন্নগদবনি হায়দুনা অকনবা প্রোটেষ্ট চথরকখ্রবা মতুংদা

## পার্লিয়ামেন্টতা ‘ওপরেশন সিন্দুর’গী মতাংদা ওপোজিশননা ঙম্লে ঙসি খন্নবদা মৈ হৌগদৌরি, নরেন্দ্র মোদি শরুক য়ারবা য়ারি

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৭ (এজেন্সী) :** থা অসিগী ২১দগী চথরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হেক হৌরকপদগী ওপোজিশন পার্টিশিংগী মনুংদগী মরু ওইনা কোংগ্রেসনা লুচিংদুনা হন্দক্কী মীফম অসিদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পহলগামদা টেররিষ্টশিংনা চথখিবা এটেক অদুগী পাউখুম ওইনা লৈবাক অসিনা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা চথখিবা ‘ওপরেশন সিন্দুর’ গী য়াওনা বিহারগী মীখল পাঙথোক্লকমদাইদা ষ্টেট অদুগী ইলেক্টোরেল রোলদা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) চথরকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা ইস্যুশিং খন্নগদবনি হায়দুনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা ওপোজিশনগী মায়কৈদগী বেন্নর/প্লেকার্দ ফাওবা পায়দুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী থেঙ্খাং কয়ারক্তা মীফম চথবা য়াদদুনা এদজোর্ন তৌখ্রবা মতুংদা হয়েং পার্লিয়ামেন্টনা ওপরেশন সিন্দুরগী মতাংদা পুথোক্তুনা খন্নগদৌরি।




ৱাফম অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্নরকপদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিশনগী মায়কৈদা অকনবা মওংদা চিন্দা পাওদানদুনা দিবেট/দিস্কশন চথরবা য়ারি হায়বগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু ওপরেশন সিন্দুরগী মতাংদা খন্ন-নৈনরকপদা শরুক য়ারবা য়ারি হায়না দেল্লীদা বেজ তৌবা পাউগী এজেন্সীশিংনা রিপোর্ট তৌনরক্লি।

হয়েংগী ওইনা ওপরেশন সিন্দুর অমসুং বিহারদা চথরক্লিবা এস আই আরগী মতাংদা হাউসনা পুথোক্তুনা খন্নরকপদা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকপা য়ারি। অদুগা হন্দক্কী নোংজু মীফম হৌবা নুমিৎমক্তদা রাজ্য সভাগী চেয়রপর্সনসু ওইরিবা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা জগদিপ ধনখরনা ফম অসিদগী রিজাইন তৌখিবগী মতাংদসু ওপোজিশনগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ৱাহং কয়া হংনরক্লবা শেম শারে হায়রি।

খ্বাইদগী পূক্নিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ইভিক্সন : থাঙ্গাল কৈথেলগী এনক্রোচ তৌরম্বা য়ূম অমদি দুকানশিং মপুনা শীদোকচবসু য়াওরি, শীদোকচদবসু য়াওরি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস) :**

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থা অসিগী ৪দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী লম্বী, ফুট পাঠ অমসুং কৈথেলগী লম্বীনচিংবদা এনক্রোচ তৌশিন্দুনা য়ূম, দুকান, হোটেল শাজিনবা, দুকানশিং লৈবা লম্বী অমদি ফুট পাঠশিং ওইরগনা য়োন্ননবা পোৎলমশিং পৈশিন্দুনা থম্বা অমদি মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বীশিংদনা নুঙ-লৈঙোইথমজিনবা অমদি খোপচিন্দুনা লন্নাই ওইনা শীজিন্নরম্বশিং মশা-মশানা থা অসিগী ১১ ফাওবদা লৌথোকচনবা খঙহনখ্রবসু অয়াম্বা এনক্রোচরশিংনা মশানা খঙনা লৌথোকচদবদগী থা অসিগী ২২দগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শরুক অমা ওইরিবা থাঙ্গাল কৈথেলদা মেছিন্নরিশিং শীজিন্নদুনা ইভিক্সনগী দ্রাইভ চথবা হৌরকখিবনি।



দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অতোপ্পা মফমশিংদা চথরক্লবা মতুংদা থাঙ্গাল কৈথেল য়ৌশিল্লকপদা ইভিক্সন চথগদবা ওফিশলশিংনা এনক্রোচ তৌশিল্লম্বা মফমশিংবু ইভিক্সন তৌবদা শীজিন্নবা মেছিন্নরিশিংগী য়াওনা ইভিক্সন তৌবগী মমল ওইনা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা মানা মানা এনক্রোচ তৌরম্বদগী ইভিক্সন চথবা থবক্কী চাং তমদুনা লুপা লিশীং ২দগী ১০ ফাওবগী শেনফমশিং ফাইন ওইনা থিননবা খঙহনখিবনি অদুগা এনক্রোচ তৌশিল্লম্বা থাঙ্গাল কৈথেল, এম জি এভেন্যু অমদি ধর্ম্মশলানচিংবদা লৈবা য়ূম অমদি দুকানশিংদনা দি সীগী মায়কৈদগী মশা-মশানা শীদোকচনবা পাদম লাক্তুনা পীরমখিবনি। অদুগা হায়রিবা থবক অসি নুমিৎ অদুদগী হৌরগা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবসু খঙহল্লমখিবনি।

দি সীগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা এস দি ও/এস দি সীশিংনা খঙহল্লম্বগী মতুংইন্না ঙসিসু থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী পরিংগী নাক য়েৎতা লৈরিবা দুকানশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## লাংমৈদোংদা বি জে পিবু কোংগ্রেসনা লৌখৎপা য়াদবমখৈ চৈখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস) :** মপান্থোংদা কায়দ্রবসু মনুংদা কায়বদৌনা লৈরিবা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমুক হন্না শেমগৎকে হায়রবদি ষ্টেট অসিদগী বি জে পিবু মীয়াম্না মরূ ফংনা মূখৎপা য়াম্না মথৌ তারে হায়না এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস ঐচ কেনেদিনা বি জে পিবু লৌখৎপা য়াদবমখৈ চৈখ্রে।

ৱাফম অসি লাংমৈদোংদা লৈবা এম পি সী সীগী মেম্বর ডা. ঐচ জিতেনগী য়ূমদা বি জে পি অমদি অতোপ্পা পার্টিশিংদগী কোংগ্রেসতা নৌনা চঙলকখিবা মীওই ১০০ হেন্না তরাম্না



ওকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা ককচীং দি সী সীগী প্রসিদেন্ট এ রহমন, ককচীং দি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন অশোক অমসুং হিয়াংলম এ সীগী ঈ সী সীগী প্রসিদেন্ট ঈ ইবোচা য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

কেনেদিনা মখা তানা হায়, বি জে পিনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা লৈঙাকপদা হীরম কয়াদা শোত্থরে। মরু ওইনা শেন মীৎলোন, এদ্যুকেশন, হেল্থ অমদি লম্বী থোংগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিলহল্লে হায়নসু বি জে পিবু মরাল শীখি।

## গভর্ণর অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা ৱাকৎলবসু অৱাৎপা ওজা থাবীরক্ত্রে

### জেসামি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা সবজেক্ট ৫গী ওজা লৈরমদ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫ অমসুং চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা লৈঙাক্না চলাইবা হায় স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংবু অশেংবা মহৈলোয়শঙ ওইনা উরবসু ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২০৬ লাপ্পা লৈরিবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী চিঙাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা জে



সামি খুলগী হায় স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদি মমিংতগী ওইনা লৈরম্লে।

জেসামি খুল অসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লবসু উখ্রুলদগীসু অমুক কিলোমিটর ১১৮ লাপ্পা লৈবনি। অদুগা চিঙাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী হেদ ক্বার্টরদগীনা কিলোমিটর ৬৫দগী ৭০ ফাওবা লাপ্লিবনি। য়াম্না লাপ্পা লৈখিবনা মরম ওইহনফম থোক্লবসু জেসামি খুলদা লৈরিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সোসিওলোজি, ইকোনোমিক্স, কেমিষ্ট্রি, ফিজিক্স অমসুং হোম সাইন্সগী ওজা অমমম ফাওবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা প্রোগ্রাম ওফিসর হাপখিবগী মরীক চুম্বা ৱাফম নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ফোঙদোরক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা প্রোগ্রাম ওফিসর হাপখিবগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফমশিং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ফোঙদোরক্ত্রবদি অতোপ্পা মহৈরোয় লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস অবুংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, নবেম্বর ৮, ২০২৪দা লোয়শঙ অসিগী নোটিফিকেশন অমগী মতুংইন্না প্রোগ্রাম ওফিসরগীদমক অনৌবা আর আর হাপচিল্লকখিববু য়ানীংদ্রবদি নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা ফোঙদোরক্লবা খঙহল্লকখি। ৱাফম অসিদগী য়ুনিয়ন অসিনা প্রোগ্রাম ওফিসরগী পোষ্ট অসি চৎনরকপগী মতুংইন্না প্রমোশন পীবগী মহুত্তা ফ্রেশ রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকপীয়ু অমদি মতিক চাবা আর্টিষ্ট কেন্দিদেটশিংদগী খনবীয়ু হায়জখি। অদুবু ওবজেক্সন লৈরিবা পোষ্ট অসিগী আর আর শেমদোক্লমদনা ক্যেরটেকর ওইরকখিবা মীওই অমবু পোষ্ট অসিদা প্রমোশন পীরকপা য়ানীংদে। অমুক হন্না ফ্রেশ রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

মরম অসিনা লোয়শঙ অসিগী মরী লৈনবা ওফিশলশিংনা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা লৈবাক মীয়ামদা রিক্রুটমেন্ট অসিগী মতাংদা শেংদোকপীরক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোরক্ত্রবদি মণিপুরগী আর্টিষ্ট খুদিংমক্না পূনশিল্লগা অকনবা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা লোগী মতেংসু লৌরগনি হায়খি।

## রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী লাইবক

### লম্বোইখোংনাংখোঙগী রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবা নহা ১ বি পি ষ্ট্রোক তৌরকপদগী লায়কন্নরি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস) :** হৌজিক চহী ২ হেল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুর অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না



অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী চৈথেং ফংবদগী থৱায় হিংনবগীদমক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুং মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৩৭ খক্তা ঙাইরিবা ঙাইরাংবম জিতেন অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি য়াইমা অমসুং অপোকপী লৈখিদ্রবী ঙাইরাংবম ওংবী তোম্বীনা খঙহৌদনা বি পি ষ্ট্রোক মায়োক্লরকপদগী জেনিমসতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### এঞ্জাং লৈরুরগা হল্লকপা চহী ৭৪শুরবা অহল অমা রিলিফ কেম্পকী কা মনুংদা শিরম্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা মণিপুরগী



লাননা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিংগী মনুংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মায়োক্লরক্তুনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা ফংদ্রিঙৈদা রিলিফ কেম্পতা লৈখিদবা থৌদোকশিং তোয়না থোকচিল্লকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু ককচীং ৱাইরিগী কোঙ্গোই কৈথেলদা মখোঙনা চৎতুনা এঞ্জাং নাপী লৈরুরগা হল্লকখিবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা সলাম অচৌবা মৈতে কৌবা অহল অমা মশানা লৈরিবা রিলিফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## দ্রগ কেসকা মরী লৈননা লুপা ৩৯,৩৩,৩০০ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):** পুলিসনা থা অসিগী ২২দা দ্রগ ফাগৎখিবা কেসকা মরী লৈননা চূড়াচান্দপুরগী সুৱাংদো খুলগী থাংমালজোম কৌবা মীওই অমগী য়ূমদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা বেগ অমদা হাপ্তুনা লোৎশিল্লম্বা লুপা ৩৯,৩৩,৩০০ ফাগৎলে হায়না পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কে সী পি-অপূনবা সিটি মৈতৈগী কাদর ৩ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা কে সী পি (অপূনবা) সিটি মৈতৈগী সেক্তা ময়ায় লৈকায়দগী ফিজম জয়চন্দ্র এলিয়জ অমুয়াইমা (৩৫), লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়দগী ওইনাম নিত্রঞ্জিৎ (২১) অমসুং পৌরাবি মখা লৈকায়দগী সোরাম অবুংচা মৈতৈ (৩৯) কৌবা কাদর অহুম তোঙান তোঙানবা মফমদগী ভেম্পা অমা, মোবাইল ফোন অনী, আই দি কার্দ অহুম অমসুং লুপা ৭০০ য়াওরম্বা মনি বেগ অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

## য়ূম্নাম হুইদ্রোমদা য়ূম মৈ চাকপদা লুপা লাখ ৫ রোমগী শেল অমসুং সনা য়াওখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক পুং ৯.৪০ রোম তারকপদা ৱাঙ্গোই পি এসকী মনুং চনবা য়ূম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায় তেরা মখোঙদা লৈবা হুইদ্রোম মঙ্গিতোম্বী (৫৬) কৌবী নুপী অমগী য়ূম মৈ চাকপদা ইমুংদা থম্বা লুপা লাখ ৫ রোমগী সনা অমসুং শেল য়াওখ্রে হায়রি।



থৌদোক অসি মহাক্কী মচানুপা বিশেশ্বরনা অঙাং চাক পীজনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা



HL-B/9740/28